অচুম্বসিবু লৈরিবরা - ২৬৮

- ডা. এল শশীকুমার, য়ুরেম্বম -

মণিপুর ঙসি ওন্থোকপা শক্তম অমদা লাক্লে। চহী কয়া পোলিটিক্সকী তংদু লৈতাদবা মশক ফজনা ফংখ্রে। মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা আইনগী ৱাংমদা শক্তি শীজিন্নরক্তুনা চত্থরকখিবা মণিপুর মীয়াম্না হকথেংননা উখ্রে। মতম অমগী লৈঙাক হঙ্গৎনা খন্থরঙ্গবদি অকিবগী মশকনি। অদুম ওইনমক পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক মণিপুর মীয়াম্না থাজবগী ৱাংমদা লেল্লকপা মতম শাংলক্লে। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা ইন্দিয়াগী মনুংদা চহী কয়া চুপ্না লৈঙাল্লকপা কোংগ্রেস লৈঙাক মরূ ফংনা মুখৎখ্রে। ইন্দিয়াদা অমুক হন্না হৌগৎলকপা ঙম্বগী পাঙ্গল, মমি ফাওবা শামলক্লে। ইন্দিয়াগী মীওই লিশীং কয়াদা পীরম্বা চৈফু ফজনা মায়থীবা ফংখ্রে। ইন্দিয়াগী মীয়াম ৱানা চাক্না খাঙলকখিবা ঙসিদি নাম্থোক্লে। মসিগী মথক্তা চহী লিশাং শিৎনা মীয়ামগী খোল্লাউ, মীয়ামগী ৱাকৎ কয়াবু শক্তিগী পাঙ্গলনা চত্থরকখিবা লৈঙাক অদু নুংশা মঙালদা লেন তুম্বগুম তুমখ্রে। ইন্দিয়াগী মীয়াম হরাও মথোই কানরক্লে। খঙহৌদনা মতম কয়াগী মমাঙদগী লুমদুনা ঙাইনরম্বা অওনবা লৈঙাক অমা, অহোংবা লৈঙাক অমগীদমক খঞ্জরম্বদু ইন্দিয়াগী ওইনা থুংলরে। ইন্দিয়াগী ফিবান্নুংদা লৈজরম্বা মণিপুরদসু থাজদনা অহোংবা লৈঙাক অমা নমদুনা পুরকখ্রে। মসিমকসু মণিপুর মীয়াম্না লেঙদ্রবা শাখিনি। মসি পূম্নমক্কী মথক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিং পূম্নমক্না লেঙদ্রবা শাখিনি। ইন্দিয়াগী মনুংদা তোপ-তোপ্পা পোলিটিক্সকী শক্তম অমসু ময়েক শেংনা খঙনখ্রবনি।

পোলিটিক্সপু থাজবা থম্লুবা হায়বসি ঙসি ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সসি ময়েক শেংনা য়াম্না কুপ্না নৈনবগী তঙাইফদবা মতমসু লাক্লে। মতম মতমগী লৈঙাক পায়বশিংনা তৌনীং-তৌনীংবা শক্তি কয়া ফজনা শীজিন্নরে হায়বসি য়াম্না কূপ্না নৈনবগী মথৌ ওইরে। থম্মোয় শেংবা পোলিটিকেল পার্টি মতমসিদা লৈশিল্লক্ত্রে। শেঞ্জাও পায়বা, তৌবা ঙম্বা, শক্তি শীজিন্নবা কিদবশিংগী মতম ওইরক্লে। মসিমক ইন্দিয়াগী পোলিটিক্সকী অচৌবা অওনবা অহোংবা অমা ওইনা লৌনরক্লে। মতম শাংনা কোংগ্রেসনা নম্ফু-হাফুন্দা লৈঙাকপগী শক্তি শীজিন্নরকপগী চপ চাবা মশক হেন্না হেন্না খুৎথাং য়াঙনা চঙশিল্লকই। মসিমক ইন্দিয়াগী গনতন্ত্রগী মশক নোংমা নোংমগী মাঙশিল্লক্লুবগী ময়েক শেংলবা মশক ওইরকই। হন্দক্কী কোংগ্রেসকী মহুৎ শিল্লিবা লৈঙাক বি জে পি ঙসিদি মতম শাংনা তোর্ব্বান্দা লেপ্তুনা য়েংলম্বদু লৈঙাক সাসন পুরকপা তাঞ্জাসিদা য়াম্না হেন্না শক্তি শীজিন্নবসি হেনগৎলকই। মসিগী মথক্তা পোলিটিকেল পার্টিশিংনসু অচুম্বা অশেংবা পোলিটিক্স তৌবা খনবগী মহুত্তা শেঞ্জাও পায়বা, তৌবা ঙম্বা মীশক ওইনা পোলিটিক্সতা পুশিল্লকপা হায়বসি থবক ওইনা পায়খৎলকই। মসিমক অফবা পোলিটিক্সকী খোঙথাং নত্তে। মরম অদুনা ভোট কাখ্রগা তৌনীং-তৌনীংবা থবক পায়খৎলকপা হায়বসি ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। মরম অদুনা মপুন্সিদা মশা মশাগী ফিরেপ ফাওবা লেপচবা ঙমদবদগী শক্তি পৱার পাম্নরক্তুনা চোঙথোক-চোঙশিনগী ঈরাং ঈশিং ঈচাওগুম থোরকপা অফবা খোঙথাং অমদি ওইগনি নীংদে। পোলিটিক্সতা ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী চৎন-কাঙলোন খঙদবনা করম্না মীয়ামগী অফবা থবক তৌরক্কনি। ৱাহংসিমদি মীপূম খুদিংনা থম্মোয়দা ফাওনরবা ঙাক্তনি। অফবা লৈঙাক, মীয়ামগী মীহুৎ খনবদা শেঞ্জাও পায়বশিংনা খুদুম চনশিল্লকপা হায়বসি অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে।

ঙসিগী লৈঙাক সাসন অসি মীয়ামগী নমাদা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খরনা মীয়াম্বু থাজহল্লগা মীয়ামগী চরম মেৎপগুম চত্থরকপা ফজনা ময়েক শেংনা খঙনরক্লে। পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়ন খরনা তৌনীং-তৌনীংবা থবক পায়খৎলকপা অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। মীয়াম মমাঙদা অফবা শাবা হায়বসি পূম্নমক্না খঙনবা ঙাক্তনি। অদুবু পোলিটিকেল পার্টিশিং লৈঙাক পুবিরিবশিংনা খরদং হেন্না তুংগী পোরম য়েংবীফম থোকই। হৌজিক্কী শক্তম অসিদা বাই ইলেক্সন তৌবা হায়বসি মীয়ামগী অফবা খোঙথাং ওইগনি হায়বসি মীয়াম্না য়াবা খক ঙমফম থোক্তে। অদুবু শক্তি পাম্বশিং, শক্তি মীকানবশিং, পৱার পায়নীংবশিংনদি বাই ইলেক্সন তৌবা হায়বসি মশানা তাজবনি। অদুবু ঙম্মী হায়দুনা বাই ইলেক্সন তৌবদি অৱাবগী মথক্তা হেন্না অৱাবা তাগনি। মসিমক লাইনসু য়াররোই, মীনসু য়াবা ঙমফম থোক্তে। বাই ইলেক্সন কদাইদগী কমদৌনা লাকখিবনো হায়বা ৱাহংসিমদি পোলিটিকেল পার্টি, পোলিটিসিয়নশিংনা নৈনবীফম থোকই।

মসিগী মখা তারকপদা অফবা ফল ওইগনি নীংদে। মীনা ঙমদুনা নমদুনা বাই ইলেক্সন তৌখ্রবসু তাইবঙ শেন্বা মপুনা গতি লৈজদ্রবশিং কদোমদনো খরদং ওইরবসু তেংবাঙবীরক্কনি। মীনা শেন্বা আইনবু মীনা শেমদোকপা ঙমলোইদবা নত্তে। অদুবু পৱারনা শক্তিনা তৌনীং-তৌনীংবা তৌরকপদা থিংবীনবা কনা লৈত্রবসু তাইবঙ শেন্বা মপুনদি নাকল অমরোমদা তেংবাঙবীরক্কনি হায়বসি মীওইবগী থাজবনি। ঙসিগী মণিপুরদা কোভিদ-১৯গী লাইচৎসি নোংম-নোংমগী মশীং খঙদনা হেনগৎলকই। শিবগী চাংসু লেপ্তুনা ৱাংখৎলকই। ঙসি ফাওবদা মীওই ৪১ শিবা মীয়াম্না তানখ্রে। অসিগুম্বা লুরবা তাঞ্জাসিদা বাই ইলেক্সন তৌবা হায়বসি অফবা খোঙথাং খক ওইররোই। শক্তি পাম্বা, পৱার পাম্বগী হেক্তা ঙমগনি, য়াগনি হায়বসিদি খরদং হেন্না তুংগী মীওইবগী পুন্সিবু খন্থবা ৱাৎপা ওইনা থোক্কনি। করি মরমদগী বাই ইলেক্সন লাকখিবনো? ঐখোয়না খঞ্জবা এম এল এদু তাইবঙ শেন্বা মপুনা মাগী মতম শুরদুনা লৌশিনখিবরা, বাই ইলেক্সন কমদৌনা ওইরকখিবনো হায়বসি পোলিটিসিয়নশিংনা য়াম্না কুপ্না নৈনবীয়ু। বাই ইলেক্সন তৌদ্রগা মাঙজবসিগা বাই ইলেক্সন তৌদুনা মাঙজবসিগা খল থাদুনা য়েংবীয়ু। মসিগী মথক্তা বাই ইলেক্সন তৌরগা তোংজবগা তৌদনা তোংজবসিগা অমাঙ অতোংসু খন্থবীয়ু। করি কমদৌনা বাই ইলেক্সন লাকখিবনো? নাকল অমরোমদা বাই ইলেক্সন লাকহনবসি পোলিটিক্সকী কাঙলোন্দা কদাই ফাওবা অচুম্বা খোঙথাংনো নৈনবগী তাঞ্জাসু খন্থবীয়ু।

মসি পূম্নমক্কী মথক্তা মণিপুর মীয়ামগী তুংগী পুন্সিদা বাই ইলেক্সননা পীরকপা য়াবা অমদি ওইরক্কদবা খুদোংথিবসু নৈনবীয়ু। মসিগী মতাংদা বি জে পিগী সাসন মতমদা মণিপুর পূম্বা অৱাবা মায়োক্নরে। মসিমক বি জে পিগী অৱাবরা? ইন্দিয়াগী অৱাবরা? মালেমগী অৱাবরা? হায়বদু নৈনবগী মথৌ লৈতবা নত্তে। ঙসি থোরক্লিবা কোভিদ-১৯সি লাইনা পীরকপা অৱাবরা? মীনা থোকহনবা অৱাবরা? মালেমগী অখঙ অহৈশিংনা ঙসি ফাওবা চপ চাবা খঙমিন্নদবসি চাওখৎপগী খুদম অমরা নৎত্রগা হৈশিংবা ৱাৎপদগী ওইরকপরা হায়বসি নৈননিংঙাই ঙাক্তনি।

মসিগী মথক্তা অনীশুবা লাঞ্জাওগী মতমদা এটোম বোমনা মাঙহন তাকহল্লিবা, মীশি-মীনা থোকহনখিবদগী হন্দক্কী কোভিদ-১৯গী লাইচৎসিনা হেনবরা হায়বনচিংবা নৈননীংঙাই কয়ানি। মালেমগী মীয়াম্না ঙসি ফংলিবা অৱাবসি কমদৌনা ওইরকখিবনো হায়বগী ৱাহং কয়া মশীং খঙদনা লৈখ্রে। অসিগুম্বা লুরবা লাইচৎনি ঙাঙনরিবসিগী মনুংদা মণিপুরদা বাই ইলেক্সন তৌগনি লাংনরক্লিবসি লৈঙাক্না চম্না তরাইনা খন্দোকপা অফবা খোঙথাং ওইগনি নীংদে। মতমসিগী শক্তি পাম্বা খরনা মীয়াম্বু থওইনা খনবীদবসিদি লাইনসু য়ারোই, তাইবঙ মীয়াম্নসু পেন্নিংঙাই ওইগনি নীংদে।

মপূং ওইনা বি জে পিনা ইন্দিয়াগী মনুংদা পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং তুং-মাং, নাক-য়েৎ য়েংহঞ্জনীংই। কোংগ্রেস লৈঙাক তুখ্রবা মতুংসিদা বি জে পি লৈঙাক্না পায়খৎলক্লিবা খোঙথাং অনীংবা খরদা য়ূম্ফম ওইদুনা মীয়ামগী ইহুলবু থওইদবদি পূম্নমক্কী অফবা ওইগনি খন্দে। মণিপুরদা বাই ইলেক্সন পাঙথোক্কনি হায়বসি মণিপুরদা খুন্দামীন্নরিবা মীয়াম লোয়ননা পোলিটিসিয়ন, পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক ৱাখল খরদি খন্থহন্নীংই। মণিপুরগী মনুংদা কম্মগী ওইবা শিবা-নাবগী থৌরম কয়াসু পাঙথোক্লবগী চাং মশীং খঙদনা লৈখ্রে। অসিগুম্বা তাঞ্জাসিদা সাসন তৌরিবা পোলিটিকেল পার্টি বি জে পিনা মখোয়গী থৌরম কয়াসু মীয়ামগী অপান্বগী, অনীংবগী ওন্ন-তৈনবদা পাঙথোকখিবা লৈখ্রে। লৈঙাক পায়রিবা বি জে পিনা মখোয়গী থৌরমশিং কয়াসু চৎন-কাঙলোন চুম্না তৌখিদবা লৈখ্রে। মরম অদুনা বাই ইলেক্সন পাঙথোকপা হায়বসি খরদং কূপ্না নৈনবীয়ু। মসিগী মতাংদা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাকসিদা বাই ইলেক্সন তৌগনি লাংনরক্লিবা, ইলেক্সন কম্মিসন্না পীরিবা চৎন-কাঙলোন কয়া ইন্দুনা কদাই ফাওবা চুম্না পাঙথোকপা ঙমগদগে? মীতৈ লৈবাক্তা শাংলবা চহী কয়াসি মতম মতমগী লৈঙাক্না করম্বা অচুম্বা আইন্না মীয়াম্বু চুম্না চৎপা ঙমহল্লবগে? ৱাহংসি ঙসি ফাওবা লেপ্তুনা হংনরিবনি। মণিপুরসি নোংমৈ কাপ্পা য়েংবা থোক্লরিবা লমদমনি। ১৪৪ এক্টনা মীয়াম্বু কিহনবা ঙমখিবরা। মরম অদুনা বি জে পিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিদা লৈঙাক পুমিন্নরিবা খোঙলোই ফাওবা য়ানরক্তবা তাঞ্জানি। মরম অদুনা বাই ইলেক্সন অসিদা নম্ফুন্দা হেক্তা বাই ইলেক্সন তৌগনি হায়বা খোঙথাং পূম্নমক্কী ওইনা অফবা ফল ওইগনি নীংদে। মীয়ামগী ইহুল মখা তারকপদা ঙম্মী হায়দুনা লৈঙাক্লো নমদুনা বাই ইলেক্সন নম্ফুন্দা পাঙথোকপা তৌবীগনু। মতম শাংনা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী খুদোংচাবা লৌদুনা পৱার শীজিন্নদুনা শাংলবা চহী কয়া পাল্লম্বদু ঙসি মরূ ফংনা মুৎথরকপগুম্না শক্তি মীকানবগী অৱাবদু বি জে পিদসু তারক্লোই হায়নীংঙাই লৈতে। ঙসিদি ইন্দিয়াগী মনুংদা বি জে পিদসু থোরক্লোই করম্না হায়রুগনি।

ঙসিদি ইন্দিয়াগী মনুংদা বি জে পি খুমাঙ য়াঙনা চঙশিল্লকই। অদুবু মনম লৈবাক তাদনা চহী লিশাং শিৎনা লৈঙাক পুরম্বা কোংগ্রেস মুৎখিবগুম বি জে পিসু শক্তি পৱার শীজিন্নদুনা থবক কয়া লেপ্তুনা চঙশিল্লকপা মীয়াম্না খঙনরি। পোলিটিক্স হায়বসি খুবাক খুনম নাইবনি, তাঞ্জা মেঞ্জা য়েংনবনি। ঙসিগী কোভিদ-১৯গী লাইচৎ মরকসিদা বি জে পিনা খুদোংচাবা লৌনরক্লিবা অসি মণিপুর মীয়াম পূম্নমক মীকুপ কাংদনা খঙন-উনরিবনি। ঙসিগী পাল্লিবা লৈঙাকনা মীয়ামগী পুন্সিবু থওইদবদি তৌবীগনু। বাই ইলেক্সন য়েথোকপীদুনা মণিপুর মীয়ামগী য়াইফগদবা লম্বীরোমদা পুশিনবীরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মীয়ামগী থাজবসু নাথৈবীরক্লোই হায়বসি শ্রী বিরেনগী অপাম্বা ওইগনি খল্লি। হীরম অশোমদা চঙশিনবীরক্তুনা মণিপুরীশিংগী অনীংবা অপাম্বা লৈঙাকসিনা মতেং পাংবীরক্কনি হায়বসি পূম্নমক্কী থাজবনি। মীয়ামগী থাজববু নাথৈরম্লবদি লাইনসু, মীনসু ঙাকপীগনি থাজদে। লমদমসিদা অচুম্বা মীৎয়েংনা য়েংবীরবদি পূম্নমক্কী য়াইফবা পুরক্কনি হায়বসি মীয়ামগী থাজবনি। মীয়ামগী থাজবা অসি থবক্তা ওন্থোরক্কনি হায়বসি মীয়াম্না খৌরাংনা ঙাইনরি।

অসিগুম্বা মণিপুর মীয়ামগী চরাংনরবা তাল্লকসিদা সী এম য়াওনা বাই ইলেক্সনগী ঈরাং শাগৎলকপা হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তনি। মরম অদুনা বি জে পিনা লৌরক্লিবা খোঙথাং অসি মণিপুর মীয়ামগী অনীংবা অপাম্বগী মায়োক্তনি। মীয়ামগী মায়োক্তা থাংজিল্লকপা খোঙথাং মায় পাকপা-পাক্তবদি পূম্নমক তাইবঙ শেন্বা মপুদা লৈরি। মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা চঙশিল্লকপা হায়বসি শক্তিতবু মীহৌবা ওইনা থোরক্লুগদি পাম্বে লৈজদ্রবা মণিপুরী মীয়াম্না অনৌবা পরা খরদি তন্বীবগী তাঞ্জা নোংমা শোয়দনা লাক্কনি। মতাংসিদনি মণিপুরগুম্বা অপিকপা ষ্টেট অসিদা শেঞ্জাও পায়বা মীশক খরনা মীচম মীয়াম্বু মী ওইনা উরক্তবসি মপুংদা গতি লৈজদ্রবা মীচমশিংনা মথংগী মীখল লাকপদা পরা খরদি ময়েক শেংনা তন্বীবা ওইরসনু। ঙসিগী পোলিটিক্সতি অতোংবদা লৈথোনবা, অকুৎপদা লৈতৌবগী পরাসি মীয়াম্না তন্বীবা মতম লাক্লে। চহী অনীগী তুংদা শকখঙনবা তারেদনা, পেনা শকপশিংগী নুমিদাংৱাইরম, পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মথংগী মীখল হায়বদুনি। অদুবু অচুম্বসিবু লমদমসিদা লরিবরা? ●

কোরোনাভাইরসকা লান্থেংনবদা ‘গুজরাট মোদল’ মপুং ফানা মায়থিরে

গভর্ণেন্স : রিলিজন অমদি কাংলুপ মশেল তোখায়-তোখায়না তানবা শিনবগী মহুৎতা মীওইবগী ৱাখল্লোলবু চাওখৎনবা থবক তৌবা ফৈ

শুপ্নগী হুইয়েন
লানপাউদা লৈবাক অসিগী শক্লাইরবা
মীওইশিংগী অখন্নবা ৱাখল্লোল

রাজদিপ সরদেশাই
শক্লাইরবা সেনিয়র জর্নেলিষ্ট
rajdeepsardesai52@gmail.com



গুজরাট মোদলগী মতাংদা মীয়াম্না য়াম্না ঙাঙনখি। অদুবু মোদল কোরোনাগী মতমদা পুমচাই চাইখ্রে। থৌদোক খরা য়েংমিন্নসি :

গুজরাট কোভিদ-১৯ পোজিটিভ য়াম্না ৱাংবা অমা ওইবত্তা নত্তনা শিবগী চাংসু ৱাংবা ষ্টেটশিংগী মনুংদা অমা ওইরি। অহমদবাদকী ম্যুনিসিপাল কমিস্নার ইখঙ খঙহৌদনা ফমদগী লৌথোকখি মরমদি লোকেল মীদিয়াগী মতুংইন্না গভর্ণমেন্টনা খল্লি মদুদি মহাক্না মফম অদুগী মীওইশিং কোভিদ-১৯ টেষ্ট কা হেন্না তৌরে হায়না। সুরটতা থা অমগী মনুংদা মাইগ্রেন্ট ৱর্কর অমদি পুলিসকী মরক্তা অহুম্লক তমথিবা মওংদা খৎন-চৈনখি। রাজকোটতা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংনা চৎকদবা ট্রেন কেন্সেল তৌখিবগী অশাওবা মফম অদুগী মীদিয়াদা ওইনা তাইনখি। থৌদোক অদুদা জর্নেলিষ্ট অমা য়াম্না থীনা শোকখি। পুলিসশিং তুমিন্না য়েংদুনা লৈখি। জর্নেলিষ্ট অমসু শুপ্নগী চীফ মিনিষ্টর বিজয় রুপানি অমসুং বি জে পি হায়কমান্দগী মরক্তা ৱাখল্লোল খেন্নবা লৈ হায়রুবগীদমক দিসলোয়েলটি মিংদা মরাল লৈরে হায়না ফাখি।

২১শুবা চহীচাগী ইন্দিয়াগী ‘মোদল’ ওইনা মীয়ামদা উৎখি। মখোয়গী য়াংনা চাওখৎখিবা অদুবু নরেন্দ্র মোদিবু নেসনল লেবেলদা খঙনবগীদমক অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর ওইবা য়াই হায়না খন্নখি। অচুম্বদি ‘গুজরাট মোদল’ কৈদৌঙৈদসু মওং মরিল তাবা হায়বদু ওইখদে। দিকেদ অমা হেন্না কুমজা ২০০১দগী ২০১৪ ফাওবা প্রোপেগন্দা শন্দোক্তুনা ‘বাইব্রেন্ট গুজরাট’ কী ইমেজ মনুংচন্না বিজিনেসমেন অমসুং ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী মরক্তা এম ও য়ূ লিশিং হেন্না তৌনখিবগী ৱারীশিং তাহন-উহনখি। ষ্টেটনসু বিজিনেস ফ্রেন্দলিগী ইমেজ শেমখি, লম্বী-থোং, সমুন্দ্রগী মতাইদা লৈবা মফমশিং, মৈ পুথোকপনচিংবগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর শেমদুনা মীয়ামবু পেলহনখি। এগ্রিকলচরগী ফীভম ফগৎহনখি। অদুবু কনাগুম্বা খরদি লোৎতুনা লৈখি অমসুং মখোয়দা পংশিন্নরবা মীদিয়া অমদি হেরোবু নিংজরিবা মীয়াম্না ৱাহং হংখিদে। হৌজিক পব্লিক হেল্থ অমদি লৈঙাক্কী ফজবা থৌওং পুরক্লুবা হোৎনবদা মায়পাকখিদবা অদুনা গুজরাট মোদলবু অকিবা ফাওহল্লে।

গুজরাটতা মীওই ১০০০দা শুপ্নগী ০.৩৩ হোস্পিটালদা ফমুং লৈ। নেসনলগী থাক্তনা ০.৫৫ লৈ। রিজর্ব বেঙ্ককী রিপোর্ট অমগী মতুংইন্না গুজরাটকী সোসিয়ল সেক্টরদা ইনভেষ্টমেন্ট তৌবগী চাং য়াম্না নেম্লি। মীওই অমদা হেল্থগী ওইনা চাদিং তৌবদা গুজরাটনা কুমজা ১৯৯৯-২০০০দা মরীশুবা রেঙ্কতা লৈরম্বদু হন্থরক্তুনা ২০০৯-১০দা ১১শুবা রেঙ্কতা লৈখ্রে। অঙাং শিবগী চাংসু য়াম্না শাথিবা মওংদা লৈরি। টাটা ইন্সটিট্যুট ওফ সোসল সাইন্সেসকী রিছর্সর সঞ্জিব কুমারনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না প্রাইমরি হেল্থ সেন্টরশিং বিহারদগী হেন্না মশীং তানা লৈ। অয়াম্বা গভর্ণমেন্ট হোস্পিটাল প্রাইভেট কম্পনিদা পীথোকখ্রে। লোয়ননা লিটরেসিগী চাংসু য়াম্না নেম্বা হায়বদু ওইরি। ষ্টেট অসিদা লৈরিবা মাইগ্রেন্ট ৱর্করশিংগী ফীভম য়াম্না চিংননিংঙাই ওইবা ফীভমদা লৈরি। ষ্টেট অসিদা চৎথরিবা অরানবশিংবু পুথোক্তুনা অচুম্বা মায়কৈদা পুরক্তুনা চাওখৎনবা হোৎনবা মীওইশিংবু নমথনবা হোৎনরি। লোয়ননা মফম অসিদা মীদিয়াগী লম্দা থবক তৌরিবা মীওইশিংগী ফীভমসু ফনা লৈরি হায়বা অরানবা ওইগনি।

চীফ মিনিষ্টর রুপানিনা কোরোনা শন্দোরকপগী মতাংদা তল্লিগীশিংনসু মরম অমা ওইখি হায়বগী মতাংদা য়ানিংখিদে। গুজরাটকী পোলিটিক্সতা শোৎথরবা মীওইশিংগীদমক থোইনা চাওখৎ খোঙথাংগী থবক তৌখিবসু লৈখিদে। হিন্দু-মুস্লিমগী মরক্তসু শকউদবা পোৎশক অমনা লাপ্পহনবগুম তৌরি। লোয়ননা গুজরাটতা কোরোনা ঙাকথোক্লুবা হোৎনবদা অচৌবা অৱাবা অমা হায়বদু ওইরি।

গুজরাটতা মায়কৈ অমরোমদা ‘নিও মিদল ক্লাস’ কী মঙলান অমদি ওনত্রপ্রনরশিপকী ৱাখল্লোল মপুংফানা শাগৎলি। অমরোমদা রিলিজন অমদি কাংলুপ মশেনগী মরক্তা তোখায়-তোখায় তানবগী অরুবা ফীভম অমদা লাক্লি। অসিগুম্বা মতম অসিদা কোরোনাগী চৈথেংনা অনৌবা ৱার্নিং অমা পীবগুম থোক্লি। থৌওং অদুনা গুজরাটপু অমুক হন্না মহাত্মা গান্ধীগী ফজরবা ৱাখল্লোল অমদি তৌরম্বা থবকশিং অদুবু হিংগৎহন্নবগী তাঞ্জা অমা পীরবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। রিলিজন অমদি কাংলুপ নাইবগী ৱাখল্লোল থাদোক্তুনা মানবা খুন্নাই অমা পুরকপা ঙম্নবা হোৎনবা ফৈ। লোয়ননা লৈবাক চাওখৎপগী ৱাখল্লোলগা লোয়ননা মীওইবগী ৱাখল্লোলবুসু চাওখৎনবা হোৎনবনা পূম্নমক্কী য়াইফবা অমদি চাওথোকচনিংঙাই হায়বদু ওইগনি। মদুনা গুজরাটকী অশেংবা মোদল ওইগনি, মদুমক ওইরকপা ঙম্নবা পূম্নমক্না হোৎনবা মথৌ তাই।

মীতৈলোলদা : ডা. খাইদেম অথৌবা

ꯃꯥꯡꯕ / ADMIT CARD LOST

I have lost my Admit Card under Roll No. 23188 of XII Class by Council of Higher Secondary Education Manipur session 2015, on the way from Nambol to Imphal on date 2nd September 2020.

Finders are requested to the same undersigned.

Sd/- Pukhrambal Priya Devi
Nambol Mongjing Leikai
Contact No. 8837043228

HL-P/7043/11

ꯈꯪꯍꯟꯕ / TENDER NOTICE

No.124/Pur-Covid-Equip-2020
date 08/09/2020.

Regional Institute of Medical Sciences, Imphal invited tender for supply & installation of 1 set of set of Real Time Quantitative micro-chip PCR Analyzer for use of RIMS Hospital, Imphal. For more details visit **www.rims.edu.in.**

DDA, RIMS Imphal

HL-B/6870/11

GOVERNMENT OF MANIPUR
OFFICE OF THE DEPUTY REGISTRAR OF SOCIETIES (IMPHAL WEST)

ꯈꯪꯍꯟꯕ / NOTICE FOR OBJECTION

Imphal, the 12th June, 2020

No. Prop/SR/IW/2020 : It is hereby notified for general infromation that an application have been received by this office from Keishamthong Elangbam Leikai Welfare Association on 10/06/2020 for registration under Section 4(1)(2) & Section 5 of Societies Registration Act. 1989 and Rule 5 of MSR Rules, 2004 within the area of operation of Elangbam Leikai, Elangbam Leikai Leirak Macha & Longjam Leirak only.

In the matter, Notice for objection is circulated/notified for information of general public/registered Society/Association/Organisation for submitting/inviting objection if any in writing (ADHAAR of the complainant or secretary with seal for Organisation) to the undersigned against the formation/registration of propose society/Organisation/NGO within 15 (fifteen) days from the date of publication.

Complains/objections if not submitted during the mention period, the application for registration in the proposed name of Association/NGO/Organisation may be initiated/considered/proceeded for registration as deem fit under Section 7(1)(2) of SR Act. 1989 and Rules 6 of MSR Rules, 2004.

Any objection receiving by way for postal service/hand post/special messenger after the above mentioned period will not be considered/entertained.

Sd/- **P. Memi Devi**
Deputy Registrar of Societies,
Imphal West

HL-P/7517/11

[illegible]

ONLINE DRAFTING & EDITING

- * NO MORE WORRIES ABOUT WRITING IN ENGLISH
1. Application drafting and editing for all purposes.
2. Editing thesis for research scholars.
3. Editing articles for newspaper and magazines.
4. Drafting applications or representations.
5. Editing applications or representations.

** The above services are provided in English only through online.

For details please contact :
8974642764
Or write to :
phoenixrhymeschool@gmail.com

HL-B/6353/4/9-2/10 (alt)

ADMISSION OPEN FOR DEHRADUN

SCHOLARSHIP FOR NORTH-EAST STUDENTS
SPECIAL SCHOLARSHIP FOR GIRL STUDENTS & SON/DAUGHTER OF Defence Personnel

B. Sc. AGRICULTURE
B. Sc. FORESTRY
B. Sc. HORTICULTURE
B. Sc. MLT
B. Sc. MM (MEDICAL MICRO BIOLOGY
B. Sc. OPTOMETRY
BMRIT - (MEDICAL RADIOLOGY & IMAGE TECHNOLOGY
B. Sc. OT - (OPERATION THEATRE TECHNOLOGY)
BPT
DIPLOMA IN DIALYSIS
DIPLOMA IN OPTOMETRY
DIPLOMA IN X-RAY
DMLT
GNM
B. Sc. NURSING
B. Sc. FOOD TECH
B. A. MASS COMMUNICATION & JOURNALISM
BHM
BBA LL.B., BA LL.B.,
ENVIRONMENTAL SCIENCE
FISHERIES SCIENCE
BCOM. HONS.
BBA
B. Sc. IT, B. TECH, BE
B. Sc. Hons, ANIMATION & GAMING
B. PHARM, D-PHARM
B. PHARM, LATERAL ENTRY
B. Sc. HONS. PHYSICS
B. Sc. HONS. CHEMISTRY
BA. HONS. ENGLISH/PSYCHOLOGY
BACHELOR IN FASHION DESIGN
BCA, BCA CYBER SECURITY
M. Sc. AGRONOMY
M. Sc. FORESTRY
M. Sc. HORTICULTURE
M. Sc. MLT
M. Sc. SEED SC & TECH
MPT.
M. Sc. EVS
MBA (HR, IB MARKETING, FINANCE)
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. CHEMISTRY
M. Sc. FOOD TECH
M. Sc. BIOTECHNOLOGY
M. Sc. FOOD NUTRITION DIETETICS
M. Sc. INDUSTRIAL CHEMISTRY
MA. ENGLISH
M. TECH

Sd/- WANGKHEI PUKHRAMBAM LEIRAK
CALL - 7085653886

HL-P/7488/4-19 (alt)

MANIPUR UNIVERSITY, CANCHIPUR-795003

Standard Operating Protocol (SOP) for the TERMINAL undergraduate Semester Examinations 2020 and BACKLOG Paper Examinations (2020)

1) All the candidates have to follow the instructions given in the SOP strictly for the purpose of appearing the examination. The Examination Coordinating Committee of the concerned College should ensure maintaining this Examination Protocol/SOP.
2) Sanitise the College Campus regularly
3) Sanitize the Examination Halls before and after the Examination without fail.
4) Candidates entering the College Campus should be scanned with Thermal Scanner. If any candidate is found having temperature beyond the specified range, a separate Room should be allotted to such candidates for appearing the examination. The same should be informed to the District Medical Officer by the Examination Coordinating Committee.
5) No other person except the Candidate, Invigilators, and Staffs is allowed to enter the Campus (College or any other designated Examination Centre) where examinations are conducting.
6) Proper hand washing facility with soap should be provided in front of every examination hall. All the Candidates should enter the Examination Hall only after washing their hands.
7) All the staffs involving in the coordination, and the invigilators should also wash their hands and sanitise themselves well before entering the Examination Halls.
8) Candidates are advised to strictly follow the social distancing norm.
9) Staggering entry and exit system should be followed.
10) Candidates are advised to reach the college campus/Examination Venue at least one hour before the schedule timing of the Examination.
11) Candidates should compulsorily wear face Mask in the Examination Halls. Besides, face mask candidates are allowed to wear face shield also.
12) Sitting arrangement has to be done as one student in one bench with a gap of one bench between two candidates
13) College authority should ensure the sensitisation of question packets and Answer Books
14) The examination shall be of 120 minutes duration (i.e. 2 hours).
15) Candidates are not allowed to exchange PEN, PENCIL, ERASER, SCALE, DRINKING WATER etc in the Examination Hall
16) Candidates are not allowed to roam around the Campus
17) If any problem occurs (related to Health, Declaration of Containment Zone, Restriction in movement due to COVID 19 issue etc) during the examination it should be brought to the Notice of the Examination Coordinating Committee of the College on time.
18) Directorate of Higher & Tech. Edu., Govt. of Manipur may be requested for ensuring the support of the State and District Administration to the Examination Centres and Colleges

Sd/- Registrar
Manipur University

HL-B/6371/11

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।